## এডিটোরিয়েল

# ইন্টিলিজেন্সকী অশোয়ব্রা

*মমাঙ চহি কয়াদগী ষ্টেট অসিদা থোক্লিবা মীহাৎ মীপুনগী থৌদোকশিং অসিদা মতম চানা এক্সন লৌবা ঙমদবা অমসুং ভিক্টিম ওইরিবা কয়াদা চপ চাবা ৱায়েলগী চৈরাক কয়া মরাল লৈবশিংদা পীদুনা রিলিফ ফংহনবা ঙমদবা হায়বসি মরী লৈনবা ষ্টেট হোম দিপার্টমেন্টকী পার্সোনেলশিংদা মতমগা চুনবা ত্রেনিং পীদবা অমসুং আইনগী ওইরিবা হিরম কয়াদা নৈনবা ৱাংপদগী ওইবা য়াই হায়না মীয়ামগী মত পীনদুনা লাক্লি। মসিগীদমক ষ্টেট গভর্নমেন্টনা সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টতা হায়বদগী মণিপুর পুলিসকী ৱাংলিবা পার্সোনেলশিং রিক্রুইট তৌবগী অয়াবা পীদুনা সরকার অসিগী ওইনা থবক হাপ্পগী অথিংবা লৈরিঙৈ মতমদা ফাওবা রিক্রুইটমেন্ট রেল্লি কয়া পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি। মসিমক্তদা চপ চাবা লাইরিক লাইশু হৈরবা পুলিস ওফিসারশিং খনখিবা অদুদা মাগা–মাগা চুন্নগদবা মওংগী থবক্তা থাজিন্দুনা মরী লৈনবা ত্রেনিংশিং পীবগী থবক্তি হৌজিক ফাওবা কা হেন্না খুমাঙ চাওশিনবা উদে। মসি করিদা অশোয়বা লৈবদগীনো হায়বদু মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিং অমদি লৈবাক্কী লুচিংবশিংনা য়াম্না থুনা থীদোকফম থোকপনি হায়নিংই। মতম চানা থোকখিবা থৌদোকশিংগী ইনভেষ্টিগেসন তৌহৌদবনা মরম ওইরগা মথোং হুক্তবা মীশি মীনা কয়া থোকখিবনি হায়না লৌবা য়াই। মতম শাংনা মাঙখিবা মীওইশিংগী খোঙ্গুল লীবা ঙমদবসি ষ্টেট ইন্টিলিয়েসিয়াগী অশোনবা এরিয়া অমা ওইফম থোকই।*

*ষ্টেটসিদা ৱাংলিবসি হোম দিপার্টমেন্টকী ফোরেন্সিক এক্সপার্টশিংগা লোয়ননা মপুং ফানা মতমগা চুন্নরবা লেভোরেটরি লৈহনবা হায়বসিনি। অসিগুম্বা য়াম্না মরুওইবা ইন্টিলিজেন্সকা মরী লৈনবা থৌরাংশিং পায়খৎপদা সরকার অসিনা য়াম্না হকচিন্না লৌদে। মদুগী মহুত্তা পার্সোনেল মশিং য়াম্না রিকুইটমেন্ট তৌবা অমসুং মদুদসু মাগী–মাগী মী হাপনবা হোৎনবদা ক্বালিটি লৈবা মীওইশিং হায়রিবা দিপার্টমেন্ট অসিদা লৌবা ঙমদনা লৈবনি হায়না মীয়াম্না ঙাংনরিবসি করিগুম্বা খরদি শোয়দনা অচুম্বা খরদি য়াওরমগদ্রা হংনিংই। হৌজিক সরকারগা সস্পেন্সন ওফ ওপোরেসন (সু) চথুরিবা লালহৌলুপশিংগী কাদরশিং থল্লিবা দিজিকনেটেট কেম্পশিংদা ইতৎ তত্তনা থোক্লিবা চয়েৎনবা কয়া অসি য়াম্না থুনা লৈহন্দনবা হোৎনবা তাবনি। লাইবক থীবদি দিজিকনেটেক কেম্পশিংদা লৈরিবা সু লুপশিংগী কাদরশিং মফম খঙহন্দনা মাঙহনখ্রবা মতুং চম্মনদুনা লৈরম্বা কেস অমদা হন্দক লংলা–লংজিল খরা পুথোরত্তুনা লোইতাং খুন্নৌদা লৈবা দিজিকনেটেট কেম্প মনুংদা লৈবা কংকৃক ফ্লোর অমা তৌখাইদুনা য়েংবদা অশিবা মীওই অনিগী শরূ পোলাং থোংনরে হায়না ফোঙদোক্লরিবা অসিনা অহৌবা ওইরগা মমাঙ–মমাঙ থক্তা থোকখিবা হৌজিক ফাওবা থীফম খঙদনা লৈরিবা মীওই কয়া অমসু হাত্তোক্লগা ফুমজিনখ্রবরা নৎত্রগা শাহিং–ঙাংহিং চাবশিংদা পীজথোকখ্রব্রা হায়বসি হংবা তারি। লংলা–লংজিল অমা ফংদ্রিমখৈ কেসশিংগী ইনভেষ্টিগেসনদা মঙম শান্দবা কয়া অমা লৈরিবসি শোয়দনা ইনভেষ্টিগেসনগী মায়কৈদা হেন্না অফবা পার্সোনেলশিং পুথোক্লবা ত্রেনিং পীদবা অমসুং মরী লৈনবা লেভোরেটরিশিংদা মশা–মশানা ফংলিবা লংলা–লংজিলশিং অদু চায়েং তৌবগী খুদোংচাবা লৈতবদগীনি হায়না লৌবা তাই। মসিগী মথক্তা ইনভেষ্টিগেসন হায়বসি য়াম্না এক্টিভ ওইবা টিম অমগী থবক ওইফম থোকই। অদুনা দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা অদুগুম্বা ইন্টলিজেন্সকি টিমশিং শেমদুনা মখোয়গী তঙাইফদবা পোৎলম পুম্বা পীবা তারগদি হেন্না খোঙজেল য়াংনা থৌদোক কয়াগী মতাংদা থীজিনবা ঙমগনি খল্লি।*

---

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

# মফমসু খঙদে, মরাংসু খঙদে

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

মফম মতম খঙদনা শামুগী মথুন্দা পেনা খোঙই হায়বদু লমদম অসিদা চপ–চানা থোক্লে হায়বদা হায়মন্বা থোকলোই হায়নিংই। অচৌবসু ওইরে, অপিকপসু ওইরে, মণিপুরদা লৈরিবা গভর্নমেন্ট গী দিপার্টমেন্ট খুদিংদা লৈরিবা ষ্টাফশিংনা চাওবসীদি হায়নিংঙাই লৈতে। মণিপুরদা লৈরিবা গভর্নমেন্ট গী দিপার্টমেন্ট শিংদা থবক তৌরিবাশিংনা নুংশাদা থবক শুরিবা মতম অসি কয়ানো হায়বদু খংনীংবা পোকচরি। হৌজিক কালেনথা য়ৌরক্লে অশাবা খাংলিনি হায়দুনা হৈ চাদুনা, হৈ–মেত্তুনা চারনি লোয়রগা মতম লেল্লিনি হায়দুনা জ্বার শান্নবা, লুদো শান্নবা কয়া তৌনরক্লি। হন্দক লমদম অসিদা ফোংবা পাউ চে অমদা দি সি ওফিসতা লুদো শান্নবগী ফোতোগা লোয়ননা পাউ হাপলকপা পাউমী অদু প্রাইজ পীদুনা ইকাই খুম্নগদবনি। মহাক্না দিপার্টমেন্ট অমগী অশোয়বা অরানবা অমোৎপা কয়া শীবা কিদনা চংদুনা ফোটো নম্নগা পংলবা মীয়াম অমদি হৌগৎলক্লিবা মহৈরোইশিং, নহারোলশিংদা তাকথোকলকপ অসি হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎত্তবা ঙমদে। মণিপুরগী গভর্নমেন্ট গী দিপার্টমেন্ট কয়াদা থবক তৌবদা মোৎলিবা, করপসন, হাবি–জাবী, অচৌ অশাং খায়দোক্তুনা চম্লবা মীওই কয়াদা হকথেংননা ফোংনা ওৎলিবা অসি করি মরমদগীনো হায়রবদি থবক চংবদা অচুম্বা তৌদবগীদগীনি। মখোয়না থবক চংনবা হোৎনবদা পীখিবা অচৌবা শেলবুম অদুগী শেনদোই পীনবা হোৎনবদা শেনজা–থুমজাগী থবক অঙকপা ফংনা ৱাংখৎলকপনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মসিগী অরোইবা পুরককে হায়রবদি গভর্নমেন্ট না দিপার্টমেন্ট খুদিংদা দরকার লৈবা ইমপ্লোয় লৌবদা শেঞ্জা–থুমজা তৌদ্রবদি মসিগী লায়না–লাইচৎ অসি মুথৎপা ঙমগনি।

গভর্নমেন্ট গী মখাদা লৈরিবা দিপার্টমেন্ট খুদিংগী হেড ওইরিবশিংনা তোয়না তোয়না য়েংশিন্দুনা অফবা, করপস্ন লৈতবা অমা ওইহনবীয়ু হায়দুনা ইকাই খুম্নবদা মতিক চারবা ইদিটরগী পুক্লিং চীংশিনজরি।

*অদোমগী*
*বসন্তা সিংহ*
*লিলোঙ মখা লৈকাই।*

---

# ইন্দিয়াগী লৈশেম্লোনগী অওনবা ঃ অৱাং নোংপোকপু অপুনবা মনীংতম্বা লৈবাক ওইহনবগী ঈথিল পীরকপা

ইন্দিয়ানা নীংতম্লবা মতু চহি ৬৭ শুরবদা ইন্দিয়াগী খুন্নাই, লৈঙাক, শেন্মিৎলোন অমসুং চাওখৎপগী খোঙথাংসি তুংকোইনা অচুম্বা মওংদা অহোংবশিং পুরকপা ঙম্লক্তবা মরম্না, লৈবাক্কী মনুং অমসুং মপানগী মীয়াম্না অওনবা খোঙথাং পীবা পাম্নরকপগী শক্লোনশিং উবা ফংলি। কুমজা ২০১৪ চঙলকপগা লোয়ননা, ইন্দিয়াগী ময়োল্লমনা খুন্নাইগী অমসুং লৈশেম্লোনগী ওইবা খোঙথাং অমা মাঙদা চংখৎনবা হোৎনবা উরি। মসিগী মরু ওইবা মরমদি শেঞ্জা–থুমজা হেল্লকপা, পোলিটিক্সতা ক্রিমিনেলশিংগী চঙজফম ওইরকপা, মশাগী কান্নবনা মাঙ থাবা হেনগৎনরকপা, লায়র–ইনাক খুনবগী মরক্তা খেন্নবগী থাক হেনগৎলকপা, জাৎ–কাঙলুপ নাইবগী থৌওংশিং লৈরকপা অমসুং লৈঙাক থৌদাগী পাঙ্গল পায়বা পাম্বা অসিনচিংবনি। মসিদগী ইন্দিয়া অসি ঙসিদি খেন্নরবা ৱাখল্লোন কয়ানা খোঞ্জেল থোক্লন্দুনা লৈঙাক পাঙ্গল মুন্ননবা হোৎনরি। ইন্দিয়াগী লৈঙাক কাঙলোন থাজদবদগী নত্তগা, ইন্দিয়ানা নমদুনা মুনবিখ্রবা মরৈবাক হঞ্জিন্নবা পোলিটিক্স তৌনরিবা অসি চীথবা য়ারোই। অমরোমদনা, ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন্না অয়াবা পীরবা (মেনষ্ট্রিম) পোলিটিক্স তৌবশিংগী মরক্তা ৱাখল্লোন অমসুং থৌওং খেন্ননা চঙশিন্নদুনা লৈঙাক চুপ্লি মুন্ননবা হোৎনবনা ইন্দিয়াগী কুমজা ২০১৪ গী শক্লোন ওইরি।

লাক্কদৌরিবা ১৬শুবা লোক সভা মীখল–২০১৪ মতুংদদি, অৱাং নোংপোক্কী মীহুৎ অমা ওইনা লৌনরিবা ডা. মনমোহন সিংহনা মীয়ামগী মীফমশিংদা হিন্দি ঙাঙবা ঙমদবা অমসুং অতৈ মরম খরদগী মহাকপু পার্টিনা শৌগৎপা তোকখিবদগী মখা তানা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইবা পামখিদ্রে। মশামক্না পার্টি পোলিটিক্সতগী পোথাদ্রবসু, পি এম ফমদগী তোক্লবা ফিরেপ লৌখ্রে। মহাক্কী মহুত্তা হীরম অয়াম্বদা মায়থীরবা, ভোট বেঙ্কখক্কি থবক তৌবা পার্টিগী ওইনা রাহুল গান্ধিবু শেমগৎ লক্কনি হায়না লৌনরি। অদুবু মুজাফরনগরদা থোকখিবা কাঙলুপ নাইবা মীহাৎ–মীপুনগী থৌদোকশিং অমসুং অতৈ লৈবাক্কী ৱাফমশিংদা ৱাথোক ওইবা অমদি মপুং ফাবা ৱাৎপা ৱাঙাঙ–শঙাঙশিং ফোঙদোরকপদগী মহাকপু মীয়াম্না য়াবগী চাং হন্থখি, পি এম কেণ্ডিদিট ওইবদগী নিংহন্নবা পোক্লখি।

কংগ্রেস পার্টিগী ওইনা পি এম কেন্দিডেট ওইহনবা য়াবদা, পি চিদম্বরমগী থবক থৌশিল হৈবা, অফবা লৈঙাকপা লুচিংবা ওইনা মতম কুইনদগী হৌনা থবক তৌরকপা মরম্না পার্টি লুচিংবশিংগী মরক্তগী মহাকপু পন্নবা লৈ। চীফ মিনিষ্টরশিংগী মনুংদা বহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পি) লুচিংবী ময়াৱাতি প্রাইম মিনিষ্টরগী মঙ মঙবশিংগী মরক্তা য়াওরি। মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর কয়ারক হন্না ওইরম্লবা অমসুং হৌজিক্লা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর (এগ্রিকলচর) ওইরিবা রাষ্ট্রৱাদি কংগ্রেসকী লুচিংবা সরদ পাৱরসু পি এমগী লমজেল য়াওনিংলি।

বি জে পিগী ওইনদি এল কে অদবানি, সুস্মা স্বরাজ, অরুন জেটলি লৈরি। চিফ মিনিষ্টরশিংগী মনুংদা ছত্তিসগড়গী চফি মিনিষ্টর রমন সিংহ, মধ্য প্রদেশ সি এম সিবরাজ সিংহ চৌহানসু মমিং পন্নরি। অদুবু বি জে পিগী পার্লিয়ামেন্ট বোর্ড অমসুং নেসনেল কাউন্সিলগী অয়াবা লৌরগা গুজারতকী চীফ মিনিষ্ট নরেন্দ্র মোদিবু পি এম কেন্দিডেট ওইনা লাউথোকখিবা অমসুং মখাতাবা কেম্পেইন চথখিবা অসিনা পার্টি মনুংগী চয়েৎ–চনৈনবশিং কোকহনবদা নত্তনা অতৈ পার্টিশিংগী মফমদা অচৌবা ঈথিল অমা পীবা ঙমখি। অদুগৈ চা য়োন্দুনা হিংলম্বা মীওই অমবু ইন্দিয়াগী লৈঙাক মপু ওইহনবদা লায়রবা মীচম মীয়াম্না শৌগৎপা পাম্বগী খোঞ্জেল পাকশন্না থোক্লরকখি। অদুবু তোঙান–তোঙানবা কাঙলুপশিংনা পুন্না খুন্দমিন্নরিবা ইন্দিয়াদা সেক্যুলারিজমদা য়ুম্ফম ওইবা নেসনেল পোলিটিকেল পার্টি ওইনা বি জে পিনা থবক তৌবা ঙমদে অমসুং হিন্দুত্বগী পোষ্টর থেৎপা নুপামচা অমা ওইনা মোদিনা থবক তৌরকই হায়বসিনি। গুজরাতকী চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈ কুমজা ২০০২ দা গোধ্রা (অহমাদবাদ মনাক্তা) দা ট্রেন মৈ চাকপগী থৌদোক্তা মরি লৈননা থোকখিবা মুসলিমশিংবু পুল্লপ–পুল্লপ হাৎখিবা থৌদোক্তা মহাকপু চৈন্নে হায়বসিদি কৈদৌনুংদা কোকপা য়াররোইদবা অমুবা দাগফম ওইদুনা লৈরি। মীয়ামগী মীৎয়েংদা মোদিনা কাঙলুপ পুন্না হিংমিন্নবগী ইকাই খুম্নবা ঙাক্না চত্তে। হিন্দুনা মশীং য়াম্বা লৈবাকসিনা সেক্যুলরিজম্না মফম ফংহনবা য়ানীংদে হায়না হিন্দু কার্দ পায়দুনা পোলিটিক্স তৌরি হায়বসিনি। মোদিবু শৌগৎলিবা *আর এস এস* নসু লক্লিবা মীখলগী ‘মাইনোরিটি মীপাইহনবা’ থৌওংদা থাজবগুম্না তৌরি। মসিমক ইন্দিয়াগী জাৎ–কাঙলুপ নাইবা খুন্নাইগী লীব্রমচৎ অদু কোকথোংনদুনা চংপনি। মসি ফেজিসমগী শক্লোন্নি। অদুগৈ ২০ শুবা চহিচাদা নাজিশিংনা জর্মনি লৈঙাক পায়রক্লবা মতমদা অচৌবা লাঞ্জাও থোকখিবদুগা পাঙ্খক ওইগনি হায়বসিনি।

অহুমশুবদা, লাক্কদৌরিবা ১৬শুবা লোকসভা মীখলদা কংগ্রেস অমসুং বিজেপিনা লুচিংবা পার্টিশিং নত্তবা, পার্টি ১১ গী থার্দ ফ্রন্ট অমা থোরক্লি। মসি লেফ্‌ট পার্টিশিং, সমাজৱাদি পার্টি, জেদি (য়ুনাইটেদ), জনতা (সেক্যুরিটি), ঝারখণ্ড মুক্তি মোর্চা (প্রজাতন্ত্রিক), খা থংবা ইন্দিয়াগী মরুওইবা রিজনেল পার্টিং অমসুং অতৈ রিজনেল পার্টিশিংগা পুল্লগা শেম্বনি। মসিদা প্রকাস কারট, মনিক সরকার, মুলায়ম সিংহ যাদব, জয়াললিথা, বিজু পাটনাইক নচিংবা য়াওরি। ট্রিনামুল কংগ্রেসকী লুচিংবী মমতা বেনর্জিগী মখোঙ লৈবাক শম্নদ্রবসু চিংখবা য়াদ্রি। মণিপুরদসু মসিগী মশা মরেং শন্দোকপা হৌখ্রে, থার্দ ফ্রন্ট শেমখ্রে। অদুবু মণিপুরগী অরুবা ৱাথোকশিংগী ৱাখৈবগী মতাংদদি ৱাহং ওইনা লৈরি।

## হাওবা

ইন্দিয়াগী অনৌবা মতমগী লৈশেম্লোনগী পুৱারীদা আম আদমি পার্টি (এএপি) না দিল্লি এসেম্ব্লী মীখলদা সিট ২৮ ফংদুনা কারকখিবা অমসুং লৈবাক্কী থাক্তা পাক শন্না শন্দোরত্তুনা লোকসভা মীখল থেংনবদা য়াওরকখিবা অসি থোইদোক্লা শীংথাবা য়াবা শক্লোন্নি। মসি ইন্দিয়াগী রেসিষ্ট খুন্নাই অমসুং লৈঙাক–ৱায়েলগী লীব্রমচৎ ওইনা চথরকখিবা চমোৎনরবা লৈশেম্লোনবু শেমদোক্লবা হোৎনবদা পোক্লকখিবা অনৌবা পোথোক অমনি। শেঞ্জা থুমজাদা হালেংদ্রবা, মশাগী কান্নবদা য়েংবা অমসুং মরাল লৈবশিংনা পোলিটিক্স য়াওশিল্লত্তুনা লৈবাকপু ওন্ন–তৈনবা মায়কৈদা পুরবদা, মদুগী মায়োক্তা মীয়ামগী ঈহৌ শাগত্তুনা লৈশেম্লোনগী ফম্বাক্তা চঙলকখিবা পোলিটিকেল পার্টিনি। অদুগৈগী জয়প্রকাশ নরায়ননা অন্ধ্র প্রদেশকী লোক সভা মেম্বর ওইনা অমসুং অরবিন্দ কেজ্রিৱালনা দিল্লি এসেমব্লীদা কারকখিবা অসি অফবা লৈঙাক পুরক্লবগী লাম্বী অমগুম্না থম্মোয় শেংনা থোরকখিবনি হায়বা য়াই। কেজ্রিৱালনা চহি অমগী মনুংদা মায় পাক্তুনা টৰ্ম অহুম্লক মায় পাক্লবী কংগ্রেস সি এম সিলা দিক্ষিটপু মায়থীবা পীখিবা অসি মহাক্কী অমসুং এএপিগী অনৌবা অওনবা লৈশেম্লোনগী পান্দম অসিগী মহয়নি। লায়রবা মীয়াম্না ফংফম থোকপা মৈ, ঈশিং লেম্না ফংহনবা, শেঞ্জাবশিং চৈরাক পীবা অমসুং লৈঙাকপশিংগী চাগা চঙবা পুন্সি মহিং শেমদোকপাঅসিনচিংবগী মায়োক্তনি। লৈঙাক থৌদাদা অমসুং লৈশেম্লোন্দা মনুং ফাওনা উহন্দুনা থৌদাং চঙনা লৌহন্নবনি। লৈঙাক শঙলেন খুদিংমক হায়বদি থৌশিল শেম্বা, থৌশিলশিং থবক ওহ্লোকপা অমসুং চাং নাইনা থবক পীবদা মনুং ফাওনা উহন্দুনা থাজবা লৈনা থবক তৌহন্নবনি। থৌওং অসিনা হান্নগী লৈঙাক লৈশেমগী লীব্রমদগী য়াম্না চঙনা খেন্নবা অমা লৈহল্লে।

অদুবু এএপি লুচিংবা কেজ্রিৱালগী খোঙথাং অসি অফবগী শরুক অদুখক য়েংবা ‘ওপ্টিমিজ’নি, ইন্দিয়াগী ময়োল্লমগী লৈঙাক লীব্রমনি। মীওইবগী হক্কী চৈনা খাঙলিবা অৱাং নোংপোক অমসুং কাশ্মীর মীয়ামগী শরুক য়াওদ্রি। লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা অৱাং নোংপোক্কী মীওইশিংবু জাৎ–কাঙলুপ নাইবগী লীচৎ লীশাংশিংনা চথরকপদা মীৎকুপ খরগী মীৎয়েং চিংশিন্দুনা ৱাহে অমত্তা ফাওবা ফোঙদোকপা ঙমখিদ্রি। লৈবাক্কী সেক্যুরিটিগীদমক্তা কাশ্মীরদা লাম্বী থমগদ্রা থম্লোইদ্রা হায়বগী রিফরেন্দম লৌসি হায়বা প্রশান্ত ভুষনগী ৱাকৎ–খোঙজং অদুদগী এএপি না লাপ্না থৈদোক্তুনা লৈখি। মদু ইন্দিয়া মচা অয়াম্বনা কাশ্মীরগী নুংঙাইবা য়াওদনা হিংগদবনি হায়বগী শরুক অমনি মরমদি, থৌওং অসিখত্তংনা কাশ্মীরবু লৈঙাক্কদবনি হায়বসি ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংনা তম্বীদুনা লাকপনি। হৌজিক অৱাং নোংপোক অমসুং কাশ্মীরদা আফস্পা থমদুনা লোইলৈঙাক চথরিবা অসিগী খুদোংথীবদু এএপি না উদে, খঙশিন্নদে। ইন্দিয়াগী মীয়াম্না ফংলিবা তংদু–লৈতবা পুন্সি মহিং অদু অৱাং নোংপোক্কী মীয়াম্না ফংদ্রবদা অমসুং ডেমোক্রেসিগী মতুংইন্না লমদমসিগী লাইবকপু এএপি না মান্নবা থাক্তা লেপ্পিদ্রবদি, ইন্দিয়া অপুম্বনা মাঙতাকপগী লাইবক মায়োক্লবা তাবনি। অসিগুম্বা মশীং য়ামজদ্রবা কাঙলুপশিংদা লাইবক মায়োক্লবা তাবনি। অসিগুম্বা মশীং য়ামজদ্রবা কাঙলুপাংদা লোই লৈঙাক্কী মীওৎ মীনৈ মখা তানা চথবদা অয়াবা পীবা হায়বসি নেসনেলিজমগী থৌওং নত্তে, মসিদি কেজ্রিৱালগী মমালৈবাকপু মাঙ তাক্লবা, লৈখা তানবা হোৎনবনি। লমদমশিং অসি ইন্দিয়াগী শরুক অমনি হায়দুনা লেমজনিংঙাই ওইবা পুন্সি মহিং ফংননবা আম আদমি পার্টি শিং লিংখৎনরিবা অসি নেসনেলিজমগী অনৌবা অওনবা পার্টি ওইরবদি কেজ্রিৱালনা খঙফম থোকপনি। লুরিবদি মীয়াম্না ময়োল ওইবা আম আদমী পার্টি না অৱাং নোংপোক অমসুং জম্মু কাশ্মীরগী মীয়াম্বু ডেমোক্রেসিগী হককা লোয়ননা উবা ঙমদবা হায়বসি অতৈ ইন্দিয়াগী পোলিটিকেল পার্টি অমত্তনা কৈদৌনুংদা উবা ঙম্লোই হায়না ময়েক শেংনা তাকপনি। ওইরক্লিবা শক্লোন অসিনা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংনা পুল্লপ পুনশিন্নদুনা তোঙান তোঙানবা নীংতম্বা লৈবাক অমা শেমগৎপগী ঈথিল পীরক্লি। ইন্দিয়াগী রেসিষ্ট লৈঙাক খুন্নাইনা অৱাং নোংপোকপু চপ চাবা মফম ফংহনগদবা লৈতবনা অচৌবা ‘ওল্টর্নেটিব’ অসি পুৱারীনা পীরকপা খুদোলনি।

---

# অচুম–অরানগী লাল্লকসিদা

হুরান্দবা মীওইবা তাইবঙদা লৈতে। অদুগা ঐখোয়না হুরানবা মীদা হুরানবা হায়বগীসু অচুম্বা লৈ। ঈশ্বরনা য়াগদবা ৱাদু ঐখোয়না য়ারোই হায়বসু লৈতে। ঈশ্বরদি অচুম্বদুনি, হুরান্দবা মীদা হুরানবা হায়দুনা ঙাং–শকপা য়াদে। ঙাংলুরবসু অদুক অচৌবা দন্দিদি পীবা য়াদে। জেল হাইবসি ফত্তবা মীওইশিংখক্কী লৈফম ওইদে। অফবা মীওই কয়া জেলদা লৈরত্তুনা হেন্না পুন্সিবু মঙাল নাইরকখিবা কয়া থেংনরি। জেলদা থম্বা য়ারবা মীওই কয়াসু য়ুমদা, লৈকায়দা নত্রগা সমাজদা কোকথোং অমা লৈরি। জেল হায়বসি অচুম্বা পুরক্লবগী নত্রগা শোইখিবা কয়াগী পারা তম্ফম ওইরিবা শঙ্গায়–য়ুমজাউনি। অরানবা কয়াগী চুমথোকফমনি। হন্দক কেজ্রিৱালবু জেলদা ফাদোক পীখিবশি আইনগী মীৎয়েংদা চুম্লবসু ঈশ্বরগী মফমদদি অরানবা অমনি। মীওইবদি অচুম্বা হায়রগা শাওই অদুগা ঈশ্বরদি হরাওই। ঐখোয়না খঙই ঙাওরসু, ফৈরসু কেজ্রিৱাল অচুম্বা পাম্বা মীশক্লি হায়বা শেঞ্জা থুমজানা হারবা মীওইবা খুন্নাইদা অচুম্বা লম্বী অমা শেম্নবা থৌরাংজবা মীশক্লি। হুরানবনা লৈবাক ঙাক্লিবা ভারত সরকারনি। হুরানবা মকোক থিদুনা লৈবাক মাংদা মহাক্না পুথোরকখি। অচুম্বা হায়বসি মীওইবগী মফম্দা লেংদনা লৈয়ু য়াদে। মফম–মতম্না হোংদুনা কৌইপু পুই। অচুম্বা হায়বসি হোংলোইদবা অমা, অদুগা হোংদোক্কদবা অমা হায়দুনা লৈ। লম–লমগী নিয়ম নিতি খেন্নে। মসিসু অঙকপা অমা ওইরি। মান্নরিবা থৱায় মশেলগী মরক্তা, অদুন্দি ঐগী অফবা নিয়মদু কনাগুম্বগী মফমদদি ফত্তবা অমা ওইরি। ভারতকি আইননা কেজ্রিৱালগী অচুম্বা মাইথিহল্লি। মীওইবনা শেম্বা আইন মীওইবনা থুগায়রি। আইনগী মখাদা অচুম্বা নমশিন্দুনা থমই। ৱাফমসি চাউখত্তবা লৈবাক্তা চংনগদবা অমনি। মীওইবগী চংনগদবা আইনদগীদি মীওইবগী মমাংঙৈদগী শাগোন্নদুনা লাক্লবা হৈনবীগী লিচৎনা হেন্না মপাঙ্গল লৈরি। ঙসিগী আইন অসিমক মীওইবগী হৈনবীদগী মখা শমথরকপা অমদি শুদোক চামথোক্লবা ফিজোল অমনি। অদুবু অমোৎপ, অকাম্বা মীওইশিংনা সরকারদা চুশিলহল্লি অমসুং মোৎহল্লি।

## কোংখাম রাথো

ঐখোয়গী হৈনবী, চৎনবীনা শেম্বা আইন ওইবগীনি মালেমদা মফম মফমগী আইন মান্নদনা লৈরিবা। মীগী লমদদি নুপা মশেল নত্রগা নুপী মশেল লুহোংবদা থোইনা খুৎ থিংজিন্দে অদুবু ভারত নত্রগা মণিপুরদদি মদু য়াদে। অপাম্বনা তৌজবা, পাম্দবনা তৌদবা হায়বসি মী মীদুগী নিংতম্বনি। মীদুগী অপাম্বা অদুনা অতোপ্পা কনাদা শোকহন্দ্রবদি মদু দোস লৈতে। অদুবু ঐখোয়না অথিংবা থম্বা তারগদি ঐখোয় কম্লক–খম্বলবা তাগনি। মীংচৎ শোকপা য়াবা থবক্লি হায়দুনা কেজ্রিৱালবু অরানবা তাহনবনি। কেজ্রিৱালনা হুরান্দবা মীবু খক হুরানবনি হায়দে। হুরানবা হায়বসি ফত্তবা থবক হান্না তৌখ্রবা মতুংদা ফংলকপা মীংথোলনি, মীংচৎ অমনি অদু হায়হন্দনবা হোৎনগদ্রবদি হায়রিবা মীদু নত্তে, হুরানলিবা মহাক্না হায়হন্দনবা ফত্তবা থবক তৌরোইদবনি। হায়খ্রবসু মশানা য়াজফম থোকই। মদু নত্তবদা মীংচৎ শোকই হায়দুনা আইননা অরানবা অমবু কমখৎনবা হোৎনবা মীনম্বা আইনদি অচুম্বা নত্তে। মদুগী শরুক হুরানবদুনা করি করি হুখ্রে হায়দুনা থিগৎপনা হেন্না ফৈ। হুরানবা ফাবগী, হুরানবনি হায়রুবা মহাক পুমনা অমা লানশিনফম থোকই। কেজ্রিৱালনা কাং মরক ফক মথক্তা অহিং কয়া তুমখিদবদু মানা অশেংবা হায়রুবগী মহৈনি। অচুম্বা হায়বরা য়াদবা মতমনি হায়বদু প্রজাশিংদা তাকথোক–তমথোকপনি। সরকারগী মীওইশিংনা চঙনা হুরানবগী থবক চথরক্লি হায়বা খঙলসু কমাসু মখোয়গী মায়োক্তা লেপতুনা লাউবা ঙমদে। অদুবু মাংবা তারে খন্দুনা হন্দক কেজ্রিৱাল চোংথোরকই শায়োল অমা লৌদুনা মাবু অঙাওবা অমনি হায়বদা মহাক শাওদে ৱাকত্তে ৱায়েলশঙদা। ঈশ্বরদি ঐখোয়না ঙাংনিংবা ঙাংহল্লি, চৈনিংবা চৈহল্লি মদুদা মহাক শাওদে। ঈশ্বরগী মগুন চেন্দবা মীওইবদি শাওই, ৱাকৎলি। হুরানবদা হুরানবা, সাধুদা সাধু হায়দ্রবদি ওন্ন–তৈনা মীংথোল পীবা য়াদে। অমুবা মীবু অমুবা, অঙৌবা মীবু অঙৌবা হায়দুনা লাই হাত্তক্তগী মীঙৌ শেন্নরক্লি। মসিগী অচুম্বা থবক্লি হায়রসু মতাং মতম চাদ্রবদি অরানবা ওইরি। অচুম্বা হায়বসি অমখল্না লেপ্পা য়াদে। অচুম্বা, মখল মথেল কয়া থোক্না লৈবা শকঊদবা পোক্লনি। ঐ–ঐনা শাগোন্নরিবা অচুম্বা অসি কমাগুম্বা অমক্তা খেন্নবা লৈহন্দ্রবা মতমদা অশেঙবা অচুম্বা লেংদবা অমা ওইগনি। মী অমবু হাৎলে হায়দুনা মীদুবু অমুক হাত্তোকপদি অচুম্বা নত্তে।

দিল্লি বন্না ঙাওরি, লাই তেংলিবা মীওইবগী অঙাও শক্লোন্নি। কেজ্রিৱাল অমদি রাহুল গান্ধি, থুমল্লি মচিং ফুদোকপা য়াই খঙই থৌনদুমদি ইথক থোংবগা লম্বানবা, অদুবু মায়থিরিবদুমদি তুংগী মায়পাকপনি। হুরানদবা কনাসু লৈতে হায়দুনা হুরানগদবা নত্তে। ঙসিগী মায় পাক্লবশিংসু মতম হুরানখিবা মীশকশিংনি। মীয়ামগী লন হুবা–মৎপদি তৌহৈদে। চিন্দা পাঙান্দবা য়াদে। মীওইবা ঐখোয়দি মদুগীদমকসু হেন্না লান্না খনফম থোক্তে। ইমুং অমগী মচিন–মনাওশিং খৎনবদুনি। অনিমক ইমুংদুবু নুংশিজজা ঙাক্তনি। লৈবাক্কি চংনবী মীওইবনা ইনবা–ঙাকপা ঙম্লক্তবা য়াওরকই। মফম মতমগী মতু ইন্না ৱাখলগী খোঙচৎ কায়রকই। পুক্নিংদা ঈথক ঈপোম্নরকই। মদুনা ওইরকই অরানবা নত্রগা অঙাওবা অমা। মদুনি হন্দক–ঙাইহক্কি দিল্লিগী সি এম কেজ্রিৱালদা ফাওরক্লিবা। মৈশা খাঙলিবনি মাসু মীচমনি উত্তুনা অখুবা কাখুগী অমম্বা সংসার অমদা ভারতকী থম্মোয় লৈফম দিল্লিদা হন্দকখরা চারাংনরিবা অসিনা ওইরক্কদবা ফলদি অফবা নত্তে। ঐখোয়গী লমদম অপীশক অসিদসু মৈশা ফাওরকপা য়ারি। চিন্না হায়বসিদি পাংহায় হায়নসি, মোদিগী ৱাশক লৌবগী মমিদু য়েংহৌদে হায়বগী অশাউবা মীঙোন্দা হেক্তা তাইনবসু য়াদে। মহাক লাকপগী মীফমদা মৈ মুখৎখি হায়দুনা মরাল হেক্তা থিবসু অচুম্বা নত্তে। অদুবু ৱাকৎলিবা মহান্নদি মহান্না চুমলে খন্দুনত্ত লৈ। অচুম্বদি অদুম চুমদুনা লৈগদবা নত্তে। মহাক্কি অরানবা মীকুপসু অদুমক লৈগনি। কেজ্রিৱালনা চুমই নত্রগা ভারতকী আইনদি লান্দে হায়দুনা নৈনফম থোক্তে। লোইনমক চুমই–লাল্লি হায়দুনি। অদুবু নুংদুম অমদা য়েরুম অমনা থোমগায়রগে হোৎনচিল্লক্লিবা থৌওংসিদি ঙক্তবা ঙমদে। য়েংখিবা তারি দিল্লিগী জগোয়। তাখিবা তারি মখোয়গী খেঞ্জেল।

---

# মীওইপোক্তা চংদবা য়াদ্রবা মরুওইবা গুরু লোইনবগী ৱাফম খরা

‘গুরু লোইনবা’ হায়বসি ঐখোয় ইাগী ‘মি’ অসিবুনি হায়না অখঙ অহৈ পণ্ডিতশিং অমদি গুরুশিংনা তাকপিরম্মী। মীওইপোক ওইনা পোকপা তারবদি পুন্সি চুপ্পা থাদোক্লবা য়াদ্রবা শম্না অমত্তং / মিকুপ অমত্তং লাপথোক্লবা য়াদ্রবা অদুগুম্বা ‘গুরু লোইনবা’ অসে তাইবং শেম্বা গুরুনা থৌদাখ্রবা গুরু অমনি। গুরু লোইনবা হায়বসি পুয়াগী মতুংইন্নদি গুরুগী য়েৎথংবা ফৈবোমদগী শেম্বনি। করম্বা মতমদা শেমখিবা পুথোকখিবা হায়বা তারবদি তাইবঙ মীওইবনা মমাগী গর্ভনুংদা খোইজিখাগী ইহুল তম্লবা থাবুম তারা মপুং ফারক্লবদা গুরুগা কাইনবা থাদোক্লবগী মতম য়ৌরক্লবদা তাইবং ইপাক্তা ফাওবা তারবদসু অঙাং নৱানা গুরুগা শেৎন–থানবগী মরমদা শুকয়া য়াদ্রবা উপাই লৈরত্ত্রদুনা গুরুনা অঙাংবু খংহন উহন্দনা মায়া তৌদুনা “গুরু লোইনব ” বু পুথোক্লে। অঙাং নৱানা গুরুবু খাইনা থাদোক্লবা ঙমলোই হায়দুনা অদুম মরৈরবদা গুরুনা অঙাংবু উহন খংহন্দনা মায়া তৌদুনা মমাগী খোইদৌ ময়াইদা সনাগী থম্বাল অমা শাৎহল্লে। সনাগী থম্বাল অদু মখোক থোকতৎলগা মমাগী থোংলেন তান্না লংথরকই। অঙাংনা থম্বাল অদুবু তান্নরকপদা তাইবংপান ফাওরত্তুনা সনাগী ফক্লেনথক্তা তারে। অঙাং নৱানা গুরুবু কৌই, মদুদা গুরু লোইনবনা খুম্মী। অসুম্না মীওই অমা হেক পোক্লকপদা হায়বদি তাইবং ঈপাক্তা ফাওরকপদা গুরু লোয়নববু অদুম লোইনদুনা লাক্লবনি অদুবু গুরুনা তাকপিরকখিবগী মতুং ইন্নদি “লোয়নবা” হায়বসি মীওইপোক ঐখোয়না হিংলিঙৈদগী তাইবং চিঙ্গাক চাবা লোইবফাওবদি মীকুপ অমত্তং থাদোক্লন্দনা চৎলে–চৎমিন্ন, তুম্মে–তুমিন্ন, অমসুং চারে–চামিন্না মতম পুম্নমক্তা অদুম য়াওন্নদুনা লৈমিন্নবনি। মরম অদুনা করিগুম্বা থবক অমা পাংথোকপা তারবদি গুরু মঙোন্দা হান্ননা তাকফম থোকই। করিনা হায়বদা মহাক্তি গুরুনা শেম্লকপা ঈশ্বর মপু অমনি হায়বসি কাওফদে। থাইনগী অহল লমন অমদি অখঙ অহৈ পণ্ডিতশিংনা তাকপিরম্বগী মতুংইন্নদি মীওইপোক্না তৌগদবা থবক পুম্নমক গুরু লোইনবদা হান্ননা তাকচরবা, হায়জরবদি থবক থৌরম খুদিংমক কান্নজগনি, অফবা ওইগনি অমসুং মায় পাক্কনি। ১বা) করিগুম্বা ঐনা থবক অমা চংথোক্লমদাইদা গুরু লোইনবনা মাঙ থাদুনা চৎলি অদুগা ঐনা তুংদা চৎলি খনবীগদবনি। ২শুবা) করিগুম্বা পোৎ অমা চারমদাইদা গুরু লোয়নবদা হান্না কংলগা কোন্না চাও অদু ওইরবদি লায়না–তীলনা চঙ্গদবা খুদিংমক কোকপী লোয়ননা পোৎশক অদু অমৃত ওল্লবনি কাওগনু। ৩শুবা) তুল্লমদাইদা মঙোন্দা হান্না তাক্লগা তুম্মু অদু ওইরবদি কৈদৌনুংদা মংলাক–হরাক্লবা তৌরোই। ৪শুবা) ঐনা তুল্লমদাইদা খাঙদৌরিবা ‘মোন’ অদুদা “শ্রীগুরু বৈষ্টব” হায়রিবা ৱাহৈ অসি অহুমলক শোল্লগা মোন অদুদা লাইবক অহুমলক কংলগা তুম্বীয়ু অদু ওইরবদি মঙলানচাদসু অফবা পাওতাক পীবনি কাওগনু। ৫শুবা) তুম্বা হৌগৎলমদাইদসু লোয়নবা গুরু হৌগৎলসে হায়রগা হৌগৎকনি। মসিনি “গুরু লোইনবগী” তাইবং মীওইপোক্না কাওফদ্রবা লাইশোল।